৩৪শুবা জুনিয়র ষ্টেট আর্চরি চেম্পিয়নশিপ ২০১৯

# নুপীমচাগী মিটর ৪০ প্লস ৪০গী ইন্দিয়ন রাউন্দদা বেবিনা অহানবা, মালেশ্বরিনা ২শুবা, সোফিয়ানা ৩শুবা পোজিসন তাখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ১২ (ঐচএনএস): মণিপুর আর্চরি এসোসিএসনগী মীৎয়েং মখাদা ভিকাশ আর্চরি একাদেমিনা শীন্দুনা পোরোম্পাৎকী ঈ ৰাই সী এ গ্রাউন্দদা চথরকখিবা ৩৪শুবা জুনিয়র (বোইজ এন্দ গর্লস) ষ্টেট আর্চরি চেম্পিয়নশিপ ২০১৯ ঙসি লোইশিনবা নুমিৎতা শান্নখিবা নুপীমচাগী মিটর ৪০ প্লস ৪০গীইন্দিয়নরাউন্দদা মোইরাংথেম বেবিনা অহানবা, দল্লিয়ু মালেশ্বরিনা অনীশুবা অদুগা এল সোফিয়ানা অহুমশুবা পোজিসন তাখ্রে।

তোঙান তোঙানবা নুপামচা ১০৮ অমদি নুপীমচা ৫৬ পূন্না আর্চর ১৬৪না শরুক যাদুনা চথরিবা ৩৪শুবা জুনিয়র (বোইজ এন্দ গর্লস) ষ্টেট আর্চরি চেম্পিয়নশিপ ২০১৯গী ঙসি পাঙথোকখিবা নুপামচাগী মিটর ৪০ প্লস ৪০গী ইন্দিয়ন রাউন্দদা আই টি এ সী যুনিটকী এস রোবার্টনা অহানবা, এ সী ঈ যুনিটকী সী ঐচ রিশিকেশনা অনীশুবা অদুগা এন এস এ যুনিটকী এল য়োহেনবনা অহুমশুবা পোজিসন তাখি।

নুপীমচাগী ইন্দিভিজুএল ওলিম্পিকইন্দিয়নরাউন্দদা সাই আর সী যুনিটকী এল সোফিয়ানা অহানবা, কে এম এ সী যুনিটকী মোইরাংথেম বেবিনা অনীশুবা অদুগা এন এস এ যুনিটকী শীটল কুমারিনা অহুমশুবা পোজিসন তাখি। নুপামচাগী ইন্দিভিজুএল ওলিম্পিক রাউন্দদা আই টিএ সীগী এস রোবার্টনা অহানবা, এ সী ঈ যুনিটকী রিসিকেশনা অনীশুবা অদুগা এফএ সী যুনিটকী এম চীংখৈনা অহুমশুবা পোজিসন তাখি।



নুপীমচাগী মিটর ৫০ প্লস ৫০গী কম্পাউন্দ ইভেন্টতা ভি এ এ যুনিটকী সুচিত্রানা অহানবা, এ সী ঈ যুনিটকী এল দুলিনানা অনীশুবা অদুগা যু এ সী যুনিটকী এন বেরোনিকানা অহুমশুবা পোজিসন তাখি। নুপামচাগী কম্পাউন্দ ইভেন্টতনা ভি এ সী যুনিটকী আর কে প্রিয়োবত্রনা অহানবা, ভি এ এ যুনিটকী ও হেনরিনা অনীশুবা অদুগা সাই আর সী যুনিটকী টি ঐচ সুরজঙানবনা অহুমশুবা পোজিসন তাখি।

নুপীমচাগী ইন্দিভিজুএল ওলিম্পিক রাউন্দগী কম্পাউন্দ ইভেন্টতা ভি এ এ যুনিটকী সুচিত্রানা অহানবা, ভি এ সী যুনিটকী এন বেরোনিকানা অনীশুবা অদুগা এ সী ঈ যুনিটকী এল দুলিনানা অহুমশুবা পোজিসন তাখি। নুপামচাগীদনা এন এস এ যুনিটকী ৰাই রোজিৎ মৈতৈনা অহানবা পোজিসন, সাই আর সী যুনিটকী টি ঐচ সুরজঙানবনা অনীশুবা অদুগা ভি এ সী যুনিটকী এন জিলমঙানবনা অহুমশুবা পোজিসন তাখি।

টিম কম্পাউন্দ বোইজকীদা এন এস এ যুনিটকী এন মালেমঙানবা, ৰাই রোজিৎ মৈতৈ, ঈ লাঙম্বানা অহানবা, যু এ সী যুনিটকী আর কে প্রিয়োবত্ত, এন জি লমঙানবা, এন বিসোনাথ, এন জি প্রদিপনা অনীশুবা অদুগা ভি এ এ যুনিটকী ও হেনরি, ইরৰিন লাইশ্রম, এল জেনসননা অহুমশুবা তাখি।

নুপীমচাগী মিটর ৭০ প্লস ৭০গী রিকর্ভ ইভেন্টতা ভি এ এ যুনিটকী কে এস ঐচ মঙলেমস্নানা অহানবা, এন এস এ যুনিটকী ৰাই অনুপমানা অনীশুবা অদুগা সাই আর সী যুনিটকী লুমিলা ফুংশোকনা অহুমশুবা পোজিসন তাখি। নুপামচাগীদনা এন এস এ যুনিটকী এ কে অমরজিৎনা অহানবা, এন এস এ যুনিটকী এল নেলসননা অনীশুবা অদুগা সাই আর সী যুনিটকী দল্লিয়ু লিওনার্দনা অহুমশুবা পোজিসন তাখি।

ইন্দিয়ন ওলিম্পিক রাউন্দ রিকর্ভ গর্লসকীদা সাই আর সী যুনিটকী কে প্রমেশ্বরিনা অহানবা, সাই আর সীগী লুমিলা ফুঙশোকনা অনীশুবা অদুগা ভি এ এ যুনিটকী কে এস ঐচ মঙলেমস্নানা অহুমশুবা পোজিসন তাখি। নুপামচাগীদা সাই আর সী যুনিটকী দল্লিয়ু লিওনার্দনা অহানবা, এন এস এ যুনিটকী এন পারিথোইনা অনীশুবা অদুগা এ সী ঈ যুনিটকী ঙাম্থোইবা অকোয়জমনা অহুমশুবা পোজিসন তাখি।

টিম রিকর্ভ গর্লসকীদা সাই আর সী যুনিটনা অহানবা, এন এস এ যুনিটনা অনীশুবা অদুগা ভি এ এ যুনিটনা অহুমশুবা পোজিসন তাখি। নুপামচাগীদা এ সী ঈ যুনিটনা অহানবা, এন এস এ যুনিটনা অনীশুবা অদুগা সাই আর সীনা থর্দ পোজিসন তাখি।

টুর্নামেন্ট অসি লোইশিনবগী থৌরমদা ক্ষেত্রিগাও এ সীগী এম এল এ নহাকপম ইন্দ্রজিৎ, মণিপুর আর্চরি এসোসিএসনগী প্রসিদেন্ট বি কে শর্ম্মা, ইম্ফাল ইষ্ট জিলা পরিষদকী অধক্ষ কে এস ঐচ তিলোতমা, খুরাই খাইদেম লৈকায় জি পিগী জিলা পরিষদ এম তোম্বা, খুরাই খাইদেম লৈকায় জি পিগী প্রধান মুক্তা রাজ কুমারী অমসুং টোপ নাওরিয়া জি পিগী প্রধান এম দিনচন্দ্রনা মথংশিংৎনী চীফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট অমদি গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক যাদুনা অহানবা, অনীশুবা অমদি অহুমশুবা পোজিসন তাখ্রবশিংদা সার্টিফিকেট অমসুং মোমেন্টো খূৎশিন্নখি।

৩৯শুবা ষ্টেট ওপন কেশ প্রাইজ টেনিস চেম্পিয়নশিপ

# ঐচ বুশন অমদি ঐচ বেকরগী পেয়রনা মেন্স দবলসকী ৱিন্নর ওইবা ঙমখ্রে




ইম্ফাল, নবেম্বর ১২ (ঐচএন এস): মণিপুর টেনিস এসোসিএসনগী মীৎয়েং মখাদা লম্ফেলদা লৈবা ওফিসর ক্লবতা চথরিবা ৩৯শুবা ষ্টেট ওপন কেশ প্রাইজ টেনিস টুর্নামেন্ট ২০১৯গী ঙসি লোইশিনবা নুমিৎতা শান্নখিবা মেন্স দবলসকী ফাইনেল মেচতা বুশন অমদি বেকরগী জুরানা তুলে অমসুং কাংজাম্বগী জুরাবু সেট ৬-২, ৬-২দা মায়থীবা পীদুনা ৱিন্নর ওইবা ঙমখ্রে।

৩৯শুবা ষ্টেট ওপন কেশ প্রাইজ টেনিস টুর্নামেন্ট ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা মেন্স ওপন সিঙ্গলসকী ফাইনেলদা বুশননা ব্রোজেনবু সেট ৭-৫, ৬-৩দা মায়থীবা পীদুনা ৱিন্নর ওইখ্রে।

চহী ৪৫গী সেনিয়র দবলসকী ফাইনেলদা তুলেশ্বর অমদি কাংজাম্বগী জুরানা টি ঐচ ইবোতোন অমদি টি ঐচ রাকেশকী জুরাবু সেট ৬-১, ৬-২দা মায়থীবা পীদুনা ৱিন্নর ওইখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী মমাঙদা শান্নখিবা নুপামচাগী চহী ১০ মখাগী ফাইনেল মেচতা সোহাম কৈশামনা চিরোম খাঙববু সেট ৪-০, ৪-০দা মায়থীবা পীদুনা ৱিন্নর ওইখি।

নুপীমচাগী চহী ১০ মখাগী ফাইনেলদা অভা শর্ম্মানা ঐচ মধুশ্রীবু সেট ৪-০, ৪-১দা মায়থীবা পীদুনা ৱিন্নর ওইখি।

নুপীমচাগী চহী ১২ মখাগী ফাইনেলদা অনানয়া শর্ম্মানা অভা শর্ম্মবু সেট ৪-১, ৩-৫, ৪-১দা মায়থীবা পীদুনা ৱিন্নর ওইখি।

নুপামচাগী চহী ১২ মখাগী ফাইনেলদা সঙ্কর হৈস্নামনা কর্নজিৎ য়ুম্নামবু সেট ৬-২, ৬-২দা মায়থীবা পীদুনা ৱিন্নর ওইখি।

নুপীমচাগী চহী ১৪ মখাগী ফাইনেলদা য়ুম্নাম থোইবীনা লাইশ্রম নন্দিনি চনুবু সেট ৬-৭ (৭-৪), ৬-১, ১০-২দা মায়থীবা পীদুনা ৱিন্নর ওইখি।

চহী ৫৫গী সেনিয়র দবলসকী ফাইনেলদা ঐচ ইবোতোম্বী অমদি ৰাই ইবোতোম্বী অনীগী জুরানা এন দিলিপ অমদি কে এস ঐচ গোপিচৌগী জুরাবু সেট ৬-২, ৬-১দা মায়থীবা পীদুনা ৱিন্নর ওইখি।

৩৯শুবা ষ্টেট ওপন কেশ প্রাইজ টেনিস টুর্নামেন্ট ২০১৯গী ৱিন্নর ওইখ্রবা শান্নরোয়শিংদা শেলগী মনা অমদি মোমেন্টো খূৎশিন্নখি।

# এসিয়ন আর্চরি চেম্পিয়নশিপ্তা শান্নরোয় ২, কোচ ২ শরুক য়াগনি









ইম্ফাল, নবেম্বর ১২ (ঐচএনএস) : থাইলেন্দগী কোনুং বেঙ্কোক্তা থা অসিগী ২১দগী ২৯ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা ২১শুবা এসিয়ন আর্চরি চেম্পিয়নশিপ্তা ইন্দিয়াগী ওইনা রিকর্ভ অমসুং কম্পাউন্দ ইভেন্টতা নুপামচা অমদি নুপীমচা আর্চরশিং শরুক য়াগনি।

চেম্পিয়নশিপ অসিদা মণিপুরী মচা আর্চর ২, কোচ অনীসু য়াওগনি। ইন্দিয়া রিপ্রজেন্ট তৌদুনা শান্নগদৌরিবা শান্নরোয়শিং অমদি কোচশিং অদুদি মথংশিংনা লাইশ্রম বোম্বেলা (রিকর্ভ), ইশেম্বী থৌনাওজম (কম্পাউন্দ), দল্লিয়ু রঞ্জন (কম্পাউন্দ কোচ) অমদি জি টিটোমাশ শর্ম্মা (কম্পাউন্দ কোচ) নি। মেম্বর ২৩না শাবা ইন্দিয়ন টিমদা য়াওরিবা প্লেয়রশিং, কোচশিং, সপোর্ট ষ্টাফ, মেনেজরশিং অদুদি রিকর্ভ মেন প্লেয়রদা তরুনদিপ রাই, অটানু দাস, অটুল বর্মা, জয়ন্ত তালুকদারনি। অদুগা নুপীগী রিকর্ভতনা দিপিকা কুমারি, এল বোম্বেলা, অনকিটা ভকট অমসুং প্রোমিলা দাইমারিনি। নুপাগী কম্পাউন্দদা শরুক য়ারুগদবশিংনা রজট চৌহান, অভিষেক বর্মা, কাৰলপ্রিট সিংহ, মোহন রামশ্বারূপ ভরদুৱাজনি। এসিয়ন আর্চরি চেম্পিয়নশিপ অদুগী নুপী কম্পাউন্দদা শরুক য়ারুগদবশিংনা মুসকান কিরর, ভি জয়োটি সুরেখা, প্রিয়া গুরজার, ইশেম্বী থৌনাওজমনি। কোচশিং, সপোর্ট ষ্টাফ অমসুং মেনেজরনা মিম বহাদুর গুরুভ (কোচ), টিটোমাশ শর্ম্মা গুরুময়ুম (কোচ), অলনজৱদেকর (সপোর্ট ষ্টাফ), এস ঐচ ভিনিব কুমার (সাই ওফিসিয়েল/টিম মেনেজর), সুমেশ চন্দ্র রোই (কোচ), দল্লিয়ু রঞ্জন (কোচ) অমসুং অভিশেক সঞ্জিব ৰাখ (সপোর্ট ষ্টাফ) নি। ইন্দিয়া রিপ্রজেন্ট তৌবদা য়াওদৌরিবা মণিপুরী মচাশিং অসি হৌজিক হৌজিক লাইশ্রম বোম্বেলা (ওলিম্পিয়ন) না রেলৱেজদা, ইশেম্বীনা এস এস বিদা, দল্লিয়ু রঞ্জন জি টিটোমাশনা সর্ভিসেস স্পোর্টস কন্ট্রোল কন্ট্রোল বোর্দতা লৈরি। ইন্দিয়ন আর্চরি টিম অসি নবেম্বর ২১দা এসিয়ন আর্চরি চেম্পিয়নশিপ অদুগীদমক ইন্দিয়া থাদোক্কনি।

৬৫শুবা নেসনল স্কুল গেমস জুদো

# মণিপুর জুদো টিম গুজরাটকীদমক ইম্ফাল থাদোকখ্রে



ইম্ফাল, নবেম্বর ১২ (ঐচএনএস) : গুজরাটকী ভাবনগরদা পাঙথোক্কদৌরিবা ৬৫শুবা নেসনল স্কুল গেমস জুদো য়ু-১৭ বোইজ এন্দ গর্লস ২০১৯দা শরুক য়াগদবা মণিপুর জুদো টিম ঙসি ইম্ফাল থাদোকখ্রে।

৬৫শুবা নেসনল স্কুল গেমস জুদো য়ু-১৭ বোইজ এন্দ গর্লস ২০১৯দা শরুক য়াগদবা নুপামচা শান্নরোয়শিং অদুদি কেজি ৪০ মখাগীদা ইম্ফাল ইষ্টতগী টি ঐচ বিসন, কেজি ৪৫ মখাগীদা এন রোহিট, কেজি ৫০ মখাগীদা এল বাবুমচা, কেজি ৬৬ মখাগীদা টি ঐচ অদিত্তনি।

কেজি ৫৫ মখাগীদা ইম্ফাল ৱেষ্টতগী এম রাজেন্দ্রো, কেজি ৬০ মখাগীদা এ কিরনকুমার, কেজি ৮১ মখাগীদা এন ঐচ সনাতোম্বা, কেজি ৯০ মখাগীদা ঐচ বিকমলনি।

নুপীমচা শান্নরোয়শিং অদুনা কেজি ৪০ মখাগীদা ইম্ফাল ৱেষ্টতগী ঐচ ওলিভিয়া, কেজি ৪৪ মখাগীদা এ অনিশতা, কেজি ৪৮ মখাগীদা এম রোসিবিনা, কেজি ৫২ মখাগীদা ঐচ সুনন্দি, কেজি ৫৭ মখাগীদা ঐচ সোভাসিনি, কেজি ৬৩ মখাগীদা এল গুগুরিয়া, কেজি ৭০ মখাগীদা কলপনানি অদুগা কেজি ৭০ মথক্কীদনা টি ঐচ সুজবলানি। নুপীমচাগী মেনেজর কম কোচ ওইনা দিনা মোইরাংথেম অদুগা নুপামচাগী কোচতনা কে ঐচ বিনোয়না শরুক য়ারি।

# মণিপুর য়ুনিভর্সিটি আর্চরি টিমদা শরুক য়াগদবা শান্নরোয়শিং খনখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ১২ (ঐচএনএস): ভুবনেশ্বরগী কে আই আই টিদা লাক্লিবা দিসেম্বর ২৬তগী ৩০ ফাওবা পাঙথোক্কদবা ওল ইন্দিয়া ইন্টর য়ুনিভর্সিটি আর্চরি (মেন এন্দ ৱিমেন) টুর্নামেন্ট ২০১৯-২০দা শরুক য়াগদবা মণিপুর য়ুনিভর্সিটি আর্চরি (মেন এন্দ ৱিমেন) টিমগী শান্নরোয়শিং খনখ্রে।

ইন্দিয়ন রাউন্দগী মেন্স সেক্সন্দা খল্লবা শান্নরোয়শিং অদুদি এল মিলন মৈতৈ, টি ঐচ হেল্লর, মাইবম জেমস, শেটয়াকুমার ঐচ অমদি রিজার্ভতা অর্জুননি। অদুগা রিকর্ভ কেটেগোরিদা খল্লবা শান্নরোয়শিং অদুদি এল সমানন্দ, ঐচ মোমো অদুগা কম্পাউন্দ কেটেগোরিদা এম মঙালদীপ অমসুং খাইদেম নেলসননি।

ইন্দিয়ন রাউন্দগী ৱিমেন্স সেক্সনদা খল্লবা শান্নরোয়শিং অদুদি দল্লিয়ু মালেশ্বরি, কে ঐচ মালেমঙানবী, অবেম্না ইরোম, জিবোলতা এন জি অমদি ঐচ সুর্জবলানি। রিকর্ভ কেটেগোরিদা কে এস ঐচ মঙলেমস্না, কে প্রামেশ্বরি, এল ওর্মিলা গ্রেস অমদি এন সোনিয়ানি।

ৱিমেন্স সেক্সনগী কম্পাউন্দ কেটেগোরিদা খল্লবা শান্নরোয়শিং অদুদি এম রুপন, সুচিত্রা টি অমদি এল দীলিমানি।

খল্লবা শান্নরোয়শিংনা থা অসিগী ১৪গী অয়ূক পুং ১১ তাবা মতমদা মণিপুর য়ুনিভর্সিটি স্পোর্টস সেক্রেটরিদা রিপোর্ট তৌনবা খঙহল্লক্লি।

# নেসনল ৱেটলিফটিং কোচিং কেম্পকীদমক মণিপুরদগী নুপী ৱেটলিফটর মঙা খনখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ১২ (ঐচএনএস) : মণিপুর ৱেটলিফটিং এসোসিএসনগী মায়কৈদগী পীরকপা চেরোল অমগী মতুং ইন্না পঞ্জাবকী সিটি পটিয়ালাদা চহী অসিগী দিসেম্বর ১দগী হৌরগা মথং চহীগী এপ্রিল ২০ ফাওবা তোঙান তোঙানবা ইন্টরনেসনল কম্পিটিসনশিংদা শরুক য়ানবগীদমক শেম শাবা নেসনল কোচিং কেম্পতা শরুক য়ানবগীদমক মণিপুরদগী নুপী ৱেটলিফটর মঙা খল্লক্লে হায়না ফোঙদোরক্লি।

পটিয়ালা সিটিদা লৈবা স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়া, নেটাজি সুভাস নেসনল ইন্সটিট্যুটতা পাঙথোক্কদৌরিবা নেসনল কোচিং কেম্প অদুদা মণিপুরদগী খনগৎখ্রবা জুনিয়র ৱিমেন্স ৱেটলিফটর ৫ অদুদি কে নোমিতা (কেজি ৪৯), সী ঐচ নির্মলা (কেজি ৫৯), ৰাই সিলহেনঙানবী চনু (কেজি ৬৪), পি উমেশ্বরি (কেজি ৬৪) অমসুং দল্লিয়ু সপনা (কেজি ৭১) নি। হায়রিবা শান্নরোয়শিং অসিনা পটিয়লাগী স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়াগী সেন্টরদা চহীসিগী দিসেম্বর ১দা রিপোর্ট তৌগদবনি হায়রি।

৫শুবা গোপালদেব কাং টুর্নামেন্ট

# বমদিয়ার নম্বোল কাংখূৎ মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ১২ (ঐচএনএস): মণিপুর কাং এসোসিএসনগী মীৎয়েং মখাদা গোপালদেব কাংখূৎ য়াইস্কুলনা শীন্দুনা গোপালদেব কাংশঙদা চথরিবা ৫শুবা গোপালদেব কাং টুর্নামেন্ট ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা মেচতা বমদিয়র নম্বোলনা এল এ কে কে ওবু মায়থীবা পীখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি কাপ্পখিবা কাং অদুদা এল এ কে কে ওগী মায়কৈদগী অহানবা হাফ অমদি অনীশুবা হাফতা পূন্না স্কোর ১৬ তৌখি। অদুগা বমদিয়ার নম্বোল কাংখূৎকী মায়কৈদগী পূন্না স্কোর ২২ তৌখি। কাংখূৎ অনীনা অকনবা লম্বা তৌনদুনা কাপ্পখিবা কাং অদু লোইশিল্লকপদা বমদিয়ার কাংখূৎনা এল এ কে কে ওবু স্কোর ২২-১৬তা মায়থীবা পীখি। বমদিয়র নম্বোলগী শান্নরোয়শিং অদুদি কে ঐচ সনাজাওবা, কে ঐচ ইবোচা, ও মেঘ, টি ঐচ মোধুমঙ্গল, কে ইবোচা, এস কালেনজাও, দল্লিয়ু চাওবা, এল ইবোতোন অমদি এল মনিনি।

৩শুবা এস ঐচ মনি শর্ম্মা মেমোরিএল থর্দ দিভিজন ২০১৯

# য়ু এস সীনা এম এস সী অমদি এস ৱাই এস সীনা ঈ এস এ মায়থীবা পীখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ১২ (ঐচএনএস): ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএসন্না শীন্দুনা কে ৱাই সী খুরখুল গ্রাউন্দদা পাঙথোক্লিবা ৩শুবা এস ঐচ মনি শর্ম্মা মেমোরিএল থর্দ দিভিজন লীগ ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা মেচশিংদা য়ু এস সীনা এম এস সীবু পাঞ্জল ৩-০দা অদুগা এস ৱাই এস সীনা ঈ এস এবু পাঞ্জল ২-১দা মায়থীবা পীখ্রে।

তোঙান তোঙানবা টিম ১১না গ্রুপ ২ থোক্না খাইদোক্তুনা পাঙথোক্লিবা ৩শুবা এস মনি শর্ম্মা মেমোরিএল ৩শুবা থর্দ দিভিজন লীগকী অহানবা গ্রাউন্দদা য়ু এস সী ফয়েং অমদি এম এস সী মালোম লম্বা তৌনখি।

মেচ অসিগী অহানবা হাফ হেক হৌরকপগা য়ু এস সী ফয়েংনা বোল হেন্না পায়দুনা শান্নরকখি। শান্নবগী ২৪শুবা মিনটতা টিম অসিগী শান্নরোয় নিমাইচান্দ জর্সি নম্বর ৩৭না পাঞ্জল অমা চন্দুনা মেচ অদু ১-০দা মাঙজিল থাহনখি। এম এস সী মালোমগী মায়কৈদগী পাঞ্জল অদু হন্দোক্লবা য়াম্না কন্না হোৎনরকখি। অদুবু অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা পাঞ্জল অদু হন্দোকপা ঙমদনা লৈখি।

অনীশুবা হাফতা মখা তানা য়ু এস সী ফয়েংগী মায়কৈদগী অহেনবা পাঞ্জল চন্নবা তোঙান তোঙানবা টেক্নিক কয়া শীজিন্নদুনা শান্নরকখি। শান্নবগী ৫৫শুবা মিনটতা টিম অসিগী শান্নরোয় হাওমিনলেননা অনীশুবা পাঞ্জল চন্দুনা ২-০দা অমুক লৈহনখি। মেচকী ৫৮শুবা মিনটতা টিম অসিগী শান্নরোয় টি ঐচ অরোন জর্সি নম্বর ৩৯না পাঞ্জল অমগা হাপচিন্দুনা ৩-০দা লৈহনখি।

মেচকী অরোইবা পুংজা ফাওবদা এম এস সী মালোমগী মায়কৈদগী মখোয়গী শোথরিবা পাঞ্জল অদু হন্দোকপা ঙমদবদগী য়ু এস সী ফয়েংনা পাঞ্জল ৩-০দা মায় পাকখি।

অনীশুবা গ্রাউন্দদা এস ৱাই এস সী সঙাইথেল অমসুং ঈ এস এ ময়াং ইম্ফাল লম্বা তৌনখি। মেচ অসিগী অহানবা হাফতা এস ৱাই এস সীগী এন ধনচন্দ্র জর্সি নম্বর ৭না মেচকী ১০শুবা মিনটতা পাঞ্জল অমা চন্দুনা অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা পাঞ্জল ১-০দা মাঙজিল থাখি।

অনীশুবা হাফ হেক হৌরকপগা ঈ এস এ ময়াং ইম্ফালগী শান্নরোয় জর্সি নম্বর ৭ এস হেমোচন্দ্রনা পাঞ্জল অমা চন্দুনা ১-১দা লৈহনখি। মেচকী ৫৬শুবা মিনটতা এস ৱাই এস সী সঙাইথেলগী শান্নরোয় এন ধনচন্দ্রনা মহাক্কী অনীশুবা পাঞ্জল চন্দুনা মেচ অদু ২-১দা ঈ এস এ ময়াং ইম্ফালবু মায়থীবা পীখি।

# চেন্নাই ওপন চেলেঞ্জরগী মহুত্তা বেঙ্গালুরু ওপন টেনিস টুর্নামেন্ট হায়না নৌনা শান্নরগনি

বেঙ্গালুরু, নবেম্বর ১২ (এজেন্সী): ইন্দিয়াদা মালেমগী ওইবা টেনিস টুর্নামেন্টশিং পাঙথোকপগী মনুং চন্না হৌখিবা চহী ২দা চেন্নাই ওপন চেলেঞ্জরস টুর্নামেন্ট হায়না পাঙথোল্লকম্বা অদু মথং চহীগী ফেব্রুৱারী ১০দগী ১৬ ফাওবগী মনুংদা বেঙ্গালুরু ওপন টেনিস টুর্নামেন্ট হায়না মহুৎ শীল্লগনি।

হায়রিবা টুর্নামেন্ট অসি মালেমগী টেনিস টুর্নামেন্টশিংগী মনুংদা কেটেগোরি ১২৫ ওইরিবা অসিদা শেলগী মনা ওইনা য়ু এস দোল্লর ১৬২,০০০ লৈগনি। টুর্নামেন্ট অসি কুমজা ২০২০গী ওইনা ইন্দিয়াদা পাঙথোকপা অনীশুবা চেলেঞ্জর টুর্নামেন্ট ওইগদৌরি। অহানবা টুর্নামেন্ট অদুনা ফেব্রুৱারী ৩দগী ৮ ফাওবা মহারাষ্ট্রগী পুনে সিটিদা টাটা ওপন টেনিস টুর্নামেন্টনা ওইগদৌরি। টুর্নামেন্ট দিরেক্টর ওইরিবা সুনিল য়েজমননা ফোঙদোকখিবদা বেঙ্গালুরু ওপন টেনিস টুর্নামেন্ট অসিনা ইন্দিয়াগী শান্নরোয়শিংদা নত্তনা অতোপ্পা লৈবাক কয়াগী শান্নরোয়শিংসু য়াওগদৌরি।

# গ্রাসরুট লীদর খনখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ১২ (ঐচএনএস): ময়ায় কোয়বী পি সী সী গ্রাউন্দদা চথরিবা গ্রাসরুট প্রোগ্রামদা কন্দক্ট তৌনবা গ্রাসরুট লীদর খনখ্রে। খল্লবা গ্রাসরুট লীদর অদুদি টি ঐচ শিতলজিৎ, এম চীংশাঙখোম্বা, এ জোনসন (মুনাল) নি। খল্লবশিংনা থা অসিগী ১৬কী অয়ূক পুং ৬ তাবদা রিপোর্ট তৌনবা খঙহল্লক্লি।

HL-P/5005/18-31/1-20 nov.







HL-B/5772/26-31oct./1-25nov.

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Thounaojam Birdhaja, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com